হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, ওগষ্ট ১৭, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১৪২শুবা মশীং

# হর ঘর তিরঙ্গ
## পোষ্ট মোর্টেম রিপোর্ট?

ওগষ্ট ১৩, ২০২২দগীনা ওগষ্ট ১৫, ২০২২ ফাওবা নুমিৎ হুমনি চূপ্না 'হর ঘর তিরঙ্গ' গী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরমসি মণিপুর খক্তগী নত্তে। লৈবাকসিগী অপূনবগী ওইবা থৌরমনি। অদুঙৈ লৈবাকসিনা কুমজা ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৫দা বৃটিশকী মখুৎতগী নীংতম্বা ফংখিবা চহী ৭৫ শুরকপগা লোয়ননা ওগষ্ট ১৫, ২০২২দা পাঙথোকখিবা ৭৬শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম নুমিৎ ফাওবদা পাঙথোক্লখ্রিবনি। পাঙথোকফম থোকই। বি জে পিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা নেসনল দেমোক্রেটিক এল্লাইএন্স (এন দি এ) লৈঙাক্লা হৌদোরকই হায়বগী ৱাফম নত্তে। লৈবাকসিগী ৱায়েল চুপ্পি অমসুং ষ্টেটশিংগী লৈঙাক্লোন পোলিটিকেল পার্টি অমনা পায়বা য়াই, পায়দবা য়াই। মস্বাইদা পোলিটিকেল পার্টি খেন্নবগী মতুংইন্না মখোয়গী লুচিংবশিং খেন্নবগী ৱাফম্না থোইদোক্তে। থৌনা ফরবা ইন্দিয়া মচাশিংনা থৱায় মাঙবা পাম্মুদনা মনীং-মখা তম্না হিংজনবগীদমক কৎখিবা অঙাংবা ঈখেংশিংনা চামথোক্তুনা পুরকখিবা লৈবাকসিগী তশেং-তশেংলবা নীংতম্বনি। কুমজা ১৮৫৭কী 'সিফাই লালহৌ' দগী হৌরকখিবা ইন্দিয়ন ষ্ট্রগল ফোর ইন্দিপেন্দেন্সনা কুমজা ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৫দা নীংতম্বা ফংখিবনি। বৃটিশ লোয়লমদগী মীখা পোনবা তোকখিবনি। অসিগুম্বা লৈবাকসিগী খ্বাইদগী মরু ওইরবা নুমিৎসিবু নীংশিংদুনা লৈবাকসিগী য়ূমথোঙ খুদিংদা 'হর ঘর তিরঙ্গ' কেম্প্যেনগী মখাদা লৈবাকসিগী য়ূমথোঙ খুদিংদা মচু অহুমগী নীংতম ফিরাল নুমিৎ হুমনি চূপ্না পাইহনবদা করি কায়বগে? করিসু কায়দে, পাইহনগদবনি। ঈখেং তানা শোক্লখিবা নীংতম লানদুদগী ফংলকপা নীংতম্বগী লানঙম ফিরাল থেৎতুনা পাইহনবনি। নীংতম্বা চহী ৭৫ শুরকপগী 'অজাদি কা অমৃট মহোটসব' ফাওবা চহী অমা চূপ্না পাঙথোরক্লিবনি। নুমিৎ হুমনি খক্তা নত্তনা চহী চূপ্পা অমা পাইহল্লবসু নীংতম্বা ফংখিবগী ফোঙদোকপা হরাও নুংঙাইবগী মপূং ফারোইদৌরিবনি। অৱাৎপদা ওইগদৌরিবনি। নীংতম্ববু শিন্নবিরমখিবা অথৌবশিংবু নীংশিংদুনা শীংথাবগী থবক্লদা মৱাৎলগদবনি।

অদুবু 'হর ঘর তিরঙ্গ' কেম্প্যেনসিনা হায়খ্রিবসি লৈবাকসিগী য়ূমথোঙ খুদিংমক্তা মচু অহুমগী ফিরাল পাইহল্লু/পাইহনসি হায়বনি। লৈবাকসিগী মীওই পূম্নমক্নসু তৌফম থোকপনি। তৌসু তৌনখি। সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংদনা খরা খিৎ নম্না তৌনখিবগী ৱানি। পাঙথোকখ্রিবা কেম্প্যেন অসিমক মায় পাকখিদ্রবা থৌরম অমা ওইখি হায়বদি য়ারোই। হন্দক্লা অহানবা হৌদোরকপগী কাচিন-কোইয়া শিনবা থুংবা নৎত্রগা থুংখিদবা হায়বদুনা ৱাফম অমনি। অফবা থৌরমনি, ফৈ। মসিমক্লা লৈবাকসিগী মীয়ামদা 'সেন্স ওফ নেসনেলিজম' গী ৱাখল্লোন পোকহনবদা অচৌবা মতেং ওইগদৌরিবনি। অদুবু লৈবাকসিগী মীয়ামগীদমক য়ুনিয়ন অমসুং ষ্টেট লৈঙাকশিংনা মতম-মতমগী মতুংইন্না হৌদোরকপা থবক-থৌরমশিংগী মতাংদা মীয়াম্না তরেৎ-তরা থোক্লা খন্নবা, নৈনবা, হৌখ্রবা, লোইখ্রবা মতুংদসু করম তৌখ্রে হায়দুনা হঙ্গৎনা য়েংবা করি কায়গদগে? অফবা অচুম্বা থৌরমদুগী মায়োক্তা লেপ্পুনা শীংনরুবা এন্টি ষ্টেট অমসুং এন্টি নেসনল ওইবা থৌওংসু নত্তে। করিমত্তা কায়গদবা মান্দে। কাইসু কাইরোই। মসি ওইরগদি হৌজিক লৈবাকসিদা লৈরিবা য়ামখ্রবা মীয়াম পূম্নমকসিগী লৈননবা য়ূম লোইনা লৈজরব্রা হায়বগী ৱাহং থোরকই। মরমদি য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা লমহাং তুমহাংদা খোঙহাম খূৎলাম্বা (ওপন দিফিকেসি) গী থৌওং তোক্তুনা স্বচ ভারত অভিয়ানগী থৌশিল হৌদোরকখিবদা নত্তনা য়ূম লৈজদবা মীওইশিং লৈহন্দনবা 'প্রধান মন্ত্রি অৱাজ যোজনা' (পি এম এ ৱাই) গী হাওজিং ফোর ওল স্কিমগী মখাদা য়ূম শাবিবগী থবকশিং পায়খৎলক্লিবনি। স্কিমসি পায়খৎলক্লিবনা য়ূম লৈজদবা মীওইশিং লৈরি হায়বা নৎত্রা? অদুনা কেম্প্যেনসিসু দাইসেক্ত তৌদুনা পোষ্ট মোর্টেম তৌহৌবনা কান্নবা ময়াম ফংগনি খল্লি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৮

১) **"খানিংপা হোঙনতে মিকোনপা হোঙনতে। খানিং মিকোল আমা তৈপাতি য়িয়ুবা চিঙখোঙ পোইরৈতোন মখুরোনপু কোনপানে।"** ৱাহৈ পরেং অনীসি করম্বা অরিবা লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

২) **"মণিপুরী রাস"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৩) মণিপুর মপানগী অইবী অমগী লাইরিকনি **"প্রলয়গী খূৎশোক্তা"** হায়বা লাইরিক অসি। লাইরিক অসিগী অইবীসি কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **"নিংশিংবগী মীহুৎথোঙদা"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) **"...মতম অসিদা গম্ভীর সিংহ অমসুং নরসিংহ অনীমক কাছারদা লৈরি। ইংরেজিগী মায়কৈদগী কেপ্তেন গ্রান্টনা ঔৱাশিংবু তান্থোক্লবা মচিন মনাও অনীগী মতেং নীরবদা নরসিংহনা ময়াম্বুং গম্ভীর সিংহগা তান্নরগা ঔৱাশিংগী মথক্তা লান্দাদুনা ঔৱাশিংবু মায়থীবা পীখিবগী মতাং অসিদগী হৌরদুনা গম্ভীর সিংহ অমসুং নরসিং অনীনা মণিপুরদগী ঔৱাশিং তান্থোকখি।"** ইতিহাসকী মতাং অসি য়াওরিবা লাইরিক মচা অদু করি লাইরিকনো অমদি কনানা সম্পাদন তৌবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৭কী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

***১) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (১,২,৩,৫)***
২) য়ূম্নাম ইবোচৌ, হাওরৈবী মখা লৈকায় - (৩,৫)
৩) হৈস্নাম মাইকেল, শীংজমৈ চীংঙামখা নিংথৌজম লৈকায় - (১,২)
৪) রাজকুমার গেরীন, পুরানা রাজবারি নোংমৈবুং - (১,২,৩)
৫) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল - (১,২,৩)
৬) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৫)
৭) থোংগ্রাম রোমেন মৈতৈ, কৈরক তোমাল মখোঙ - (১,৩)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৪৭কী ৱিন্নর*

***থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৪৭কী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

# এন্টিবাইওটিক-রেজিষ্টেন্ট বেক্টেরিয়া চহী হেন্না মাঙহনবা ঙমগনি হায়না থাজনরিবা অনৌবা হীদাক

সাইন্সকী খোঙচৎ

**কুঞ্জো নাওরেম**


Dr. Paul J. Hergenrother

এন্টিমাইক্রোবিএল রিজিষ্টেন্স (এ এম আর) হায়বসি মীচম অমনা ইখঙ খঙনদ্রবসু মেদিকেল কম্ম্যুনিতিদদি মীপাইবগা লোয়ননা কিনরিবা থৌওং অমনি। মসি বেক্টেরিয়া, ভাইরস, ফঙ্গস অমসুং পেরাসাইটশিংগী হকচাংদা অহোংবা থোরক্তুনা হায়বদি জিনেটিক ম্যুটেসনশিং থোরক্তুনা মহিক হাৎননবা এন্টিবাইওটিকশিংদুগী কান্নবা লৈহল্লক্তবা; অদুনা ইনফেক্সনশিংদু লায়েংবদা ৱারকপগা লোয়ননা লায়নাদু শন্দোকপগী চাং হেনগৎহল্লকপা, অনাবগী ফীভম হেন্না শাথীহল্লকপা অমসুং শিবগী চাং হেনগৎহল্লকপা থৌওং অমনি।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী মতুংইন্না মীওইবগী হকশেলদা কন্না শীংনরক্লিবা তরাগী মনুংদা এ এম আর অসিসু অমনি হায়রি। এ এম আরসি মহৌশাগী ওইবা থৌওংনা, মরু ওইনা জিনেটিক্কী অহোংবশিংনা মরোমদোম থোরকই। অদুবু হীদাক লান্না শীজিন্নবা হায়বদি অখঙ অহৈ ডাক্তরশিংগী অয়াবা য়াওদনা শীজিন্নবা অমসুং কা হেঞ্জিন্না শীজিন্নবা; মী অমসুং শাশিংগী থক্লবা ঈশিং ফংবগী চাং ৱাৎপা; ক্লিনিক, হোস্পিটালশিংগুম্বা হেল্থ-ক্যের ফেসিলিটিশিংদা 'ইনফেক্সন এন্দ দিজিজ প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল' শোনবা; মগুন লৈবা অমসুং অহোংবা হীদাকশিং, ভেক্সিনশিং অমসুং দাইএগ্নোষ্টিকশিং ৱাৎনা ফংবা; এৱ্যের্নেস অমসুং লৌশিং-জ্ঞান ৱাৎপা অমসুং হীদাক-লাংথক অমদি লায়েং পথাপকা মরী লৈনবা নিতি-নিয়মশিং মপূং ফানা চৎহনবা ঙমদবা-ফিভমশিং অসিনা এন্টিমাইক্রোবিএল রেজিষ্টেন্স থোকহনবদা চাউনা মতেং পাংই হায়না দল্লিয়ু ঐচ ওনা হায়রি।

বেক্টেরিয়াসি মখোয়গী শেল মেম্ব্রেইনশিংগী ষ্ট্রকচরগী মতুংইন্না মখল অনী থোক্লা খায়দোকই : গ্রাম পোজিটিভ অমসুং গ্রাম নেগেটিভ। কুমজা ১৮৮৪দা দেনমার্ককী বেক্টেরিওলোজিষ্ট হান্স খৃষ্টিয়ান গ্রামনা



ফাবিমাইসিনগী কেমিকেল ষ্ট্রকচর

থেংনখি মদুদি বেক্টেরিয়া খরগী সেল ৱালশিংসি অপাবা peptidoglycan শিংনা শেম্মী, অদুগা সেল ৱালশিং অসিবু অমুক কুংলবা lipopolysaccharide কী মেম্ব্রেইনশিংনা কুপশিল্লি। অসিগুম্বা সেলশিংবু গ্রাম নেগেটিভ হায়না খঙনরকখি, অদুগা মখোয়গী সেল ষ্ট্রকচর অসিনা এন্টিবাইওটিক মোলিক্যুলশিংবু সেল মনুংদা চঙখিবা অমসুং তুংশিনখিববু থিংই। অতোপ্পা অমরোমদনা, গ্রাম পোজিটিভ বেক্টেরিয়াদদি অথাবা peptidiglycan গী মরোলখক্তনা কুপশিল্লি, হায়বদি মপান থংবা মেম্ব্রেইনদু য়াওদে। ষ্ট্রকচরগী খেন্নবসিনা মরম ওইরগা, গ্রাম নেগেটিভ বেক্টেরিয়াশিংনা থোকহনবা ন্যুমোনিয়া, য়ুরিনরি ট্রেক্ট ইনফেক্সনশিং (য়ু টি আই) অমসুং ব্লদষ্ট্রিম ইনফেক্সনশিংসি গ্রাম পোজিটিভ বেক্টেরিয়াশিংনা থোকহল্লিবশিংগা চাংদম্নবদা লায়েংবদা হেন্না লুবা ওই।

'এ সী এস সেন্ট্রেল সাইন্স' (ওগষ্ট ১০, ২০২২) তা ফোঙদোরকখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্না, য়ুনিভর্সিটি ওফ ইলিনোইসকী Dr. Paul J. Hergenrother না লুচিংবা থিজিন-লূপ অমনা এন্টিবাইওটিক রেজিষ্টেন্ট বেক্টেরিয়া চনীদগী হেনববু লায়েংবদা কান্ননা শীজিন্নবা য়ারবা এন্টিবাইওটিক অমা পুথোরক্লে হায়রি। হীদাক অসিগী মমিং ফাবিমাইসিন (fabimycin) হায়রগা খঙনৈ। হীদাকসিগী পিক্লবা মোলিক্যুলশিংগী ফিজিকোকেমিকল ট্রেটশিংনা মরম ওইরগা গ্রাম-নেগেটিভ বেক্টেরিয়াশিংগী সেল ৱাল অমসুং মেম্ব্রেইন অনীমকপু ফাওজিনখিদুনা সেলশিংদুগী মনুংদা তুংশিন্দুনা লৈ হায়বসি খঙবা ঙম্লকখি।

Fabl enzyme হায়বসি বেক্টেরিয়ানা ফেট্টি এসিদ শুংবদা রেট-দিটরমিনিং ষ্টেপ অদুবু কেটালাইজ তৌবগী থৌদাং লৌরিবা এঞ্জাইম অমনি। ষ্টেপ অনী লৈবা কেমিকেল রিএক্সন অমদা অহানবা ষ্টেপ অদুদা রিএক্সনদু য়াম্না তপ্না থোক্লগা অনীশুবা ষ্টেপ অদুদনা থুনা থোক্লবদি অহানবা ষ্টেপ অদুবু রেট দিটরমিনিং ষ্টেপ কৌই অদুগা এঞ্জাইম অদুনা কেটালাইজ তৌদুনা রিএক্সনদু থুনা থোকহল্লি। Dr. Hergenrother গী লূপ অসিনা গ্রাম-পোজিটিভ *Staphylococcus aureus* হায়রিবা বেক্টেরিয়া অসিবু শক্তি লৈনা থেংনবা ঙম্লিবা Debio-1452 কৌবা Fabl বু থিংবা ঙম্বা অসিদা চাংয়েংশিং পাঙথোকপা হৌরম্মী। eNTYy rule শিংনা লমজিং ওইরগা, থিজিন লূপ অসিনা Debio 1452 না Fabl বু থিংবগী মগুন অদুবু মাঙহন্দবগা লোয়ননা গ্রাম নেগেটিভ বেক্টেরিয়াগী মায়োক্তসু মথৌ তৌবা ঙম্বা অনৌবা মোলিক্যুল অমা শুংনবগী পান্দম থল্লগা Debio-1452 মোলিক্যুলগী ষ্ট্রকচরবু শেমদোক্লম্মী। অসুম্না শেমদোকপগী থবকসি কয়ারক হন্না পাঙথোক্লবা মতুংদা খ্বাইদগী হেন্না শক্তি লৈরবা ফাবিমাইসিন হায়রিবা হীদাক অসি পুথোকপা ঙমখি।

ফাবিমাইসিনবু মল্টিদ্রগ-রেজিষ্টেন্ট গ্রাম-নেগেটিভ *Escherichia coli, Klebsiella pneumonia,* অমসুং *Acinetobacter baumannil* গী ক্লিনিকল আইসোলেট ২০০দগী হেনবদা চাং য়েংবদা কান্নবা থেংনরম্মী। মখোয়গী হীদাক অসিনা মীওইবগী গটতা লৈরিবা হকচাংদা কান্নবা পীরিবা বেক্টেরিয়াশিংদদি অমাঙ-অতা থোকহন্দব্রা হায়বগী চাংয়েংশিং পাঙথোকপদসু ফাবিমাইসিন্না Fabl এঞ্জাইম থিংবসিনা অসিগুম্বা বেক্টেরিয়াশিংদা অমাঙবা থোকহন্দবা থেংনরম্মী, হায়বদি হৌজিক শীজিন্নরিবা ব্রোদ-স্পেক্ট্রম এন্টিবাইওটিকশিংনা গট বেক্টেরিয়াশিংদা শোকহনবদগী হন্থনা শোকহল্লি হায়বনি।

মসিগী মখা তারকপদা, ফাবিমাইসিনগী কয়া য়াম্বা চাংনা উচিশিংদা কান্নবা পীবা ঙম্বগে হায়বদু লেপথোক্লবা মতুংদা থিজিন-লূপ অসিনা য়ুরিনরি ট্রেক্ট ইনফেক্সন কয়ামুক থোকহল্লিবা, *Escherichia coli* গী দ্রগ-রেজিষ্টেন্ট ষ্ট্রেইননা ইনফেক্ট তৌরবা উচিশিংদা চাং য়েংখি। ফাবিমাইসিনবু নোংমদা ভেইন্দা অহুম্লক কাপ্পা মতমদা উচিশিংদুগী স্প্লিন, ব্লেদর, লিভর অমসুং কিদনিগী টিস্যুশিংদা লৈরিবা দ্রগ-রেজিষ্টেন্ট বেক্টেরিয়াগী চাংদু ইনফেক্সন তৌদ্রিঙৈ মমাঙ নৎত্রগা মদুগী মখাদা হন্থহনবা ঙম্লম্মী।

থিজিন-চেরোল অদুদা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না হৌখিবা চহী ৫০মুকসিদা, গ্রাম-নেগেটিভ বেক্টেরিয়াশিংনা থোকহনবা ইনফেক্সনশিংবু খ্বাইদগী লায়না লায়েংবা য়ারবা ফুদ এন্দ দ্রগ এদমিনিষ্ট্রেসন (এফ দি এ) না অয়াবা পীরবা এন্টিবাইওটিকশিং লৈত্রি; অদুনা অনৌবা এন্টিবাইওটিকশিং পুথোকপা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওইদুনা লাকখি। য়ুনিভর্সিটি ওফ ইলিনোইসকী থিজিন-লূপ অসিনা পুথোরক্লিবা ফাবিমাইসিন অসিনা উচিশিংদা লায়না পোকহল্লিবা গ্রাম-নেগেটিভ বেক্টেরিয়াবু মাঙহল্লগা হকচাংদা কান্নবা পীরিবা বেক্টেরিয়াশিংবুদি মাঙহন্দবা অসিনা তাক্লিবদি হীদাক অসিনা মীওইবদসু কান্নবা শোয়দনা পীগনি হায়বসিনি। মসিগীদমক মখা তাবা চাংয়েংশিং মথৌ তারি। অদুনা থিজিন লূপ অসিনা মখোয়গী টেক্নোলোজি অসিবু ক্লিনিক্তা হেন্না খুমাঙ চাওশিন্না পাঙথোকহন্নবগী শরুক অমা ওইনা IND-enabling studies শিংগীদমক কম্মর্সিএল পার্টনর অমগা লোয়ননা থবক মখা চৎথখিগনি হায়না Hergenrother না ফোঙদোক্লি। ●

A)


Debio 1452 গী কেমকেল ষ্ট্রকচর

# কৌরক্লি খূৎলাম তোইনা পুনম চীংনা (২)

**– ঙানবা (মোহোনচন্দ্র) কে –**

পুরকখি লেপ্পুনা চৎলিবা মতমগী লাইরেম্বীনা শাবি শানৌ অনীবু নুংশি পন্থুংফমদা। নুপীজা ওইবী কুমজরেম্বীনা ৱাশক চেৎপা পন্থৌ মপাবু কিজবদগী লাইবক্তা অসুম থোকউ তন্নম্বনা থন্নকখি মশাবী য়াংহনববু কৈনুংদা মদোম লৈরকখি। তাইবঙ কনা খঙহন উহন্দনা হৈরাং লোঞ্জা চামিননা, লৈরাং লোঞ্জিন চিনমিন্না নুমিৎ শিংবুম কয়া লেল্লকই। অসুম্না খঙহৌদনা তাওজিং মহৈ য়াল্লক্লে, খোইজি মিহুল লাংলক্লে। হৈরাং মরূ পাল্লক্লে। হৌখ্রে থাবুম কয়া। লেল্লকই পন্থৌ মশাইকোন্দা হাইনা হুম্না মদোম লৈশাৎ তল্লিবী কুমজরেম্বীদো। নোংমগী কোরৌ নুমিৎতা য়াম্না থাজদনা মমোম লাংলেন কুমজরেম্বীগী হকচাংগী ফীভমদা মহৌশাগা মান্নদবা অহোংবা শক্তম উরকপদা ইথাই কাইরেম্বা পন্থৌ মপাদো অশাওবনা লুতোন কাখরে। খাম্বী মৈৱাইবগা পাংখক ওইরকই। পন্থবা তৌদনা পাওহংলকই মমোমদা - হায় ইমোম লাংলেন ইবেম্মা নঙগা খঙন-চান্নজবা কনা কনা লৈ হায়য়ু ইপাদা। পন্থৌ মপাগী অকনবা য়াৱাদু তাবদা শ্বাই লাওই কুমজরেমবীদো কিবনা মশা পূম্বা নিকখ্রে। হুমাংনা পুমচোৎ চোৎলমই মশাদো। ঙাইহাক লেপকক তৌরগা পাউখুমজরকই পন্থৌ মপাদা- পন্থৌ অপোকপা ইপা ইবুংঙো নচাগা খঙন-চান্নবা কনামত্তা লৈজদে। মমোমগী য়াৱাদু হেক তাবদা শাওবনা লুতোন য়ৌখিদুনা ৱাশক পন্দোম লোমখ্রে। খঙগনিদো শরি শো, লাই ওইরে ফারগে মী ওইরে লেম্না থাররোই হায়না চপ য়ুংনা লেপখ্রে। পন্থৌ মপাগী অশাওবদু উবদা কুমজরেম্বী ইবেম্মা মিপাইখিবনা মশা পূম্বা চেঙ খৈবগুম নিকখ্রে। পন্থৌ মপাবু খাম্বসু ঙমজদা শোয়দনা শিবা তারে কমদৌনি হায়দুনা চরাম্নরবা নোংশাগী মাংদা য়ারৌ শজি অমোম্না কোইচেন চেন্দুনা খাংজবগুম তৌফম খঙদা লৈজখি। হায়রিঙৈ তাঞ্জাদুদা পন্থৌ মপাদি থৌরবা থাঙশাং অমা পায়রদুনা চঙশিনখ্রে কৈদু তম্না। ইথাই-কাইরেম্বগী থাঙশাংদুনা পায়া মপুল মরূমদা লোত্তুনা লৈরিবা য়াংহনবদো পায়া মপুল মীহৎকুম পায়া মপুলশিংদো ককপদা য়াওখ্রে য়াংহনবগী লুরেলদো। তাদুনা লৈরে লুরেলদো লৈমায়থক্তা ঈঙাং পাক্তক্লা ঈমু পামফেননা । কুমজরেম্বী ইবেম্মা চেনশিল্লক্তুনা কোনখৎচৈ থৱায় য়াওদ্রবা পাম্মুবা মাগী লুরেলদো মথানুংদা চেৎনা কোন্দুনা কপচখি নোং খোংবগুম তেংথাদুনা। কায়রবা থম্মোয় পুদুনা লেল্লকই কোরৌ নুমিৎ শিংবুম কয়ানি তূম্বা চাবা খঙদনা। হৌখি খঙহৌদা লোইদাম থাবুম কয়া, থাবুম তরা ফারকপদা মঙফাওনরকখি তাইবঙদা মপারী ইৱাক হনবা (খোংকন তেলহৈবা)। কপচখি মপারীবু মথানুংদা চেৎনা কোন্দুনা নীংশিংলদুনা মশাবী মমান মচা য়াংহনববু । খঙহৌদে লেপ্পুনা হৌখিবা থাবুম কয়া কুমশিং কয়া মপারীনা চাওবা শারেপ ফারকপদা পাখৎচৈ কুমজরেম্বী মিপাই চাওবী শজিগুম, মপারী ইৱাক হনবগী খনবদা লিজৈ মপারীদা অমত্তা চিখ্রদা অপোকপা পন্থৌ মপানা মনুং মতম চাদনা, মতৌ করম্না লৈখিদবা পুম্বা। পারি ইবুংঙো নুংশিবা নঙগীদমক খনবদা পলেম নমা ওইবীদি তূম্ফম চাফম খঙদ ৱাদবা ঙমদে। করমনো চেকশিল্লু মতম পূম্বদা নপুগা তুরেলদা ঙা তানবা চৎপদা। নোংমগী কোরৌ নুমিৎতা মপু মশু তুরেলদা ঙা তানবা কুম্বদা মপুনা ইন্দু হুনবদা পন্দুনা লৈখ্রে তুরেল খোংনুংদা। কৌরকই মপুনা মশুদা, ইৱাক হনবা! তুরেল খোংনুংদা ইন্দু পন্দুনা লৈখ্রে নহাক কুম্লগা দুক য়েংলু। ফগনি ইপু নশু য়েংজগে। নীংশিংলকই খঙহৌদনা পলেম মমাগী ৱারীদো। তুরেলদা কুম্লগা ইৱাক হনবনা হায়জরকই ইপু! অঙাং নৱা ওইবনা লাম্বা ফংদ্রে ইরোলনুংদা পল্লিবা ইনসে। ইপুনা কুমলগা অমুক্তা য়েংবীয়ুগবা। ফরে নপু অমুক য়েংলগে। ইথাই কাইরেম্বনা তুরেল ঈরোন্নুংদা লুপ্লিঙৈ ইৱাক হনবনা তুরেলদগী কারক্লগা মপুগী মখুৎসু লোংদু পায়রগা মপুনা তুরেল ঈরোলনুংদগী ফাওগৎলকপা ঙাইদুনা লৈখ্রে। মপুনা ঈরোলনুংদগী হেক ফাওগৎলকপদা লোংদু খুদুম চেৎনা পায়রগা, থিল্লমই লোংদুনা মপুদা। থুনা চিংখৎলম্মী লোংনা পাল্লবা মপুবু তোর্বান্দা। মপুবু চিংখোঙদা চিংখৎলগা হাৎখি হায়দনা 'দু নুংগীবু চীং' সিগী মমিংবু পুনম চীং কৌখি। হায়নরিবা তাবদা থুক লাওবা, তু চুংবা য়াম্না নুংশিখ্রবা ৱারিনি নিংশিংলুবদা 'দুনা পুনম চীং হেক উবদা নীংশিংহল্লি তত্তনা য়াংহনবা কুমজরেম্বী অনীগী নীংঙমদবা নুংশি নুংঙোনগী ৱারীদু নৌহৌননা। নুরা ইবেম্মা লাইবক চাওবী কুমজরেম্বী লৈহৌরেদো ঙসিদি তাইবঙ লীলা ওইনা তেল্লবা মীওইবগী পুন্সি খোঙচৎনি।

নুংশি ঈখৌ লাংলবা শাবী শানৌশিংদা নীংশিংহল্লি লেপ্পা লৈত, য়াংহনবা কুমজরেম্বী অনীগী তেংথাখোল। হে নুংশিরবী পুনম চীং, নুংশি নুংওনগী খোইদানফম ওইরিবী, নুংশি ঈখৌ লাংবা শাবি শানৌশিংগী লৈহৌরেদো তোমথিন ঙানবা ধ্রুবতরাগুম নুংশিবগী লেংদবা নীংশিং খুদম ওইনা। মীরোল কয়া হৌখ্রবসু লৈহৌরি নহাক্তি লেংদনা অরংবা থৱান্মীচাক্লুম ওইরি নহাক্লা লেঙদ্রবা নুংশিবগী খুদম।

পূক্নিং হুনা নিংথিজরবা পুনম চীংগী অকোয়বদা লৈরিবা প্রকৃতি লাইরেম্বী ইমাগী নিংথিজরবা খূৎশেমতনা থল্লবা য়েংবগী পেনবা নাইদবা পূম্বা লুপখিদ্রা খনবদা নোংমা শোয়দনা, লোম্বা নাইদ্রবা মতমগী লাইরেম্বী ঈরোলনুংদা, মীপাইদবা ঙমদে থম্মোয়না।

মণিপুরগী তুরেলশিংগী ইতিনফম ওইরিবা পুনম চীংগী চীংখোঙ ওইহৌরেদো ঙসিদি পুনম চীং শাবী শানৌ কয়াগী কাউঙমদ্রবা নুংশি নুংওন, অৱা নুংঙাই নুংশি ঈখৌ লাংবশিংগী নুংশি পন্থুংগী তুংনফম। মৈনা ৱাই তাংনা শম লোম্বা নাইদ্রবা মীরোল কয়াগী নুংশি নুংওনগী মপাউ পুবী পুন্সিগী তাঙ্কক কয়াদা কায়না মৈচাক লাংলবা মীওই কয়াগী মফমদা মীকুপ পুংজা কয়া পূক্নিং খোইরাংলবা শাবি শানৌশিংদা মীকুপ অমত্তা ওইরসু ঙাইহাক অৱা পোথাফম পীবিরিবী হে লাইবক চাওবী পুনম চীং। মতম চূপ্পদা নুংশি নুংওনগা শাগোন্নরিবী নাইতোম থোকপী থাজগুম লেঙদনা লৈরি ঙসিসু নুংশিনবগী নীংশিং খুদোল ওইনা। পীরি নুংশিবগী পাউজেল মীরোল কয়াদা লেপ্পুনা নঙনা। লৈহৌরনি লেঙদনা নুমিৎ থানা লৈরিমখৈ লেঙদবা নুংশি খুদম ওইনা। মিরাইবিরবা লৈঙাক্লা হে পুনম চীং, ওইহল্লেদো ঙসিদি নমিংনা য়েক্লবা। করিদি পান্বে লৈরি অইবশিংনা ৱাকৎচবা নত্তনা অঙৌবা চেবাংথক্তা। কলমগী মতেংনা লেপ্পুনা ইজবা নত্তনা, মাঙখিবা তারে পুৱারীগী হৌরকফমশিংনি খন্দুনা। কলহৌনবা মতমনা লৈরিঙৈদা মমি শামজিল্লক্লবা পুৱারীগী মফমশিং, তিনখ্রগনি পাখৎনা মতমগী ঈরোলনুংদা। চাল্লকখিনি মৈরি থোক্লা নোংমদি শোয়দনা, থৌরবা কলমগী মচিন্দগী থোরকপা ৱাকৎশিংনা। নীংশিংহল্লি নৌহৌননা পুয়াদা ইরম্বশিং - "নোংপোক থোঙ হাংলক্লবা মতম, ৱাঙু তম্ফা লাইরেম্বীগী লৈহাওনা মপান শারক্লবা মতম, তোরবুংদা ফিঙাং শেৎপশিং থোরক্লবা মতম, মোইরাংগী মমাঙ চীংদা য়াওশুরাকপনা খৌথেন্মগা থেঙ্গৌরোল চোঙবদা লোক্তাক পাৎকী উচেক পাইখৎখিবদগী তারক্ত্রবা মতম লোয়ননা তাকমু পাৎতগী ঈশিং থক্লক্লবা মতম।" মতমসি য়ৌরক্লবদি লৈবাক্কী ওইনা অওনবা য়াওল লাক্লনি হায়বগী খুদম পীবনি হায়না লৌনরি।

কৌরক্লি খূৎলাম তোয়না পুনম চীংনা, কলহৌনবা খোঙ্গুল মুৎখিদৌরবা পুৱারীগী হৌরকফমশিং। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৭কী পাউখুম

১) **"পরিনীতা (লুহোংলবী নুপী)"** হায়বা ১৯৬৮দা অহানবা ফোঙবা লাইরিক অসি কনানা ইবা করি লোলগী ওরিজিনেল লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো? **:- শরৎচন্দ্রগী বাংলা লোলদা ইবা মমিং অসিমক্কী লাইরিক্তগী হাওবম ইবুঙোয়াইমা সিংহনা মণিপুরীদা হন্দোকপনি।**

২) **"মৈতৈ জগোই ১৫শুবা শরুক"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? **:- অইবা - শ্রী সুরচান্দ শর্ম্মা।**

৩) **"মেহরু"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:- অইবা - শরৎচন্দ্র নোংথোম্বম; লাইরিক্কী মখল - নোভেল, অহানবা ফোঙবা, ১৯৬৭।**

৪) **"নুপী/নহাক্কী পুল্লিবা শম্বুলগী মনুংদা/য়াওরি পারী-পুরিগী চয়োমসু/ য়াওরি মণি-মুক্তা কয়াসু/হয়েংগী নুমিৎসু।"** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো? **:- অইবা - ক্ষেত্রি রাজেন; য়াওরিবা লাইরিক - চরূগী খাংপোকশঙ; লৌথোরক্লিবা শৈরেং - শম্বুল; অহানবা ফোঙবা ২০১২।**

৫) **"শামু ময়াগী কংক্র ঙান্থক"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:- অইবা- চোংথাম নরেন্দ্র সিংহ; লাইরিক্কী মখল - ৱারীমচা; অহানবা ফোঙবা, ১৪/৪/৮৭।**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।